## ১৬শুবা গভর্ণরস টাইক্বোন্দো কপ গভর্ণর লা গনেসননা হৌদোকখ্রে

# শাইনি অমদি তাইসিনা সব-জুনিয়র গর্লসকী গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর টাইক্বোন্দো এসোসিএসননা শীনবা ১৬শুবা গভর্ণরস টাইক্বোন্দো কপ ২০২২ ঙসি খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা গভর্ণর লা গনেসননা হৌদোকখিবগা লোয়ননা পাখংবা টাইক্বোন্দো একাদেমিগী শাইনি তাওরেম অমদি কে এস ঐচ তাইসিনা সব-জুনিয়র নুপীমচাগী কেজি ৪১ অমদি ৩৮ কাঙলূপকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ষ্টেটকী ইন্টরনেসনল প্লেয়র নোংদারেন খাবা অমদি ময়েংবম প্রিয়াদর্শিনী অনীনা ওথ লৌদুনা হৌদোকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিট ২৬তগী লাকপা নুপা শান্নরোয় ৪১২ অমদি নুপী ২১৮ পূন্না শান্নরোয় ৬৩০না শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণর লা গনেসননা ফোঙদোকখিবদা, চহী ২০০০গী মমাংদগী লৈরক্লবা টাইক্বোন্দো মশান্না অসি মালেমদা হৌখিবা চহী ৫০ অসিদা য়াম্না পাম্নরকপা মশান্না অমা ওইদুনা লৈবাক ১৪২গী মীওই মিলিয়ন ৪০না পাম্না শান্নরি। মশান্না অসিনা নহা ওইরিবা অঙাংশিংদা থকশি-খাশি লৈহনবদা নৎতনা সেল্ফ কনফিদেন্স লৈহনবদা অচৌবা মতেং পাংলি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা গেমস এন্দ স্পোর্টসতা থৱায় য়াওনা শান্নদুনা মখোয়গী স্পোর্টসমেনশিপকী ক্বালিটিশিং অদু পূন্সিরোলদা নীংথিনা শীজিন্নরবদি মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইরক্কনি থাজে হায়খিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা মায় পাকপা অমদি মায়থীবা থিদনা থৱায় য়াওনা শান্নবসু পাউতাকপীখি।

সিনিয়র নুপাগী কেজি ৫৪ কাঙলূপকী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ফাইনেল বাউটতা য়ুনিয়ন টাইক্বোন্দো একাদেমিগী রোবিনসন কোঞ্জেংবমনা য়ুনিট অসিমক্কী ইন্টরনেসনল প্লেয়র নোংদারেন খাববু গোল্ডন পোইন্ট ১০-৮দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা সিনিয়র নুপাগী কেজি ৮৭ মথক্কী ফাইনেল বাউটতা য়ু টি এগী কেলভিন য়ুম্নামনা মাইবম রোবর্টপু পোইন্টগেপ ২৮-৫দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, অয়ূক শান্নখিবা সব-জুনিয়র নুপীমচাগী কেজি ৩৮গী কাঙলূপ্তা পি টি এগী কে এস ঐচ তাইসিনা গোল্ড, য়ু টি এগী সিলভিয়া অথোকপমনা সিলভর অমদি য়ু টি এগী এঞ্জিলিকা ইরেংবম অমদি বি টি এগী অরিবম ধনশ্রিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র নুপীমচাগী কেজি ৪১গী কাঙলূপ্তা পি টি এগী শাইনি তাওরেমনা গোল্ড অদুগা কৈশাম্পাৎকী এম ভিক্টোরিয়ানা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

সী টি আইগী ইচল লোংজমনা সব-জুনিয়র নুপীগী কেজি ৪৭, পি টি এগী কে ঐচ দেনিএলনা সব-জুনিয়র নুপাগী কেজি ১৮, খোইস্নাম মঙালনা কেদেট বোইজ কেজি ৩৩ অমদি সাই আর সীগী দল্লিয়ু সচিননা জুনিয়র বোইজ কেজি ৪৫গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা সোসল ৱেলফ্যের, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

# ইন্টর মিলাননা জুভেন্টস থোইদুনা ইটালিয়ন কপকী ৱিন্নর ওইখ্রে



রোম, মে ১২ (এজেন্সী): ইন্টর মিলাননা জুভেন্টসপু এক্সট্রা টাইমদা ৪-২দা ঙসি শান্নখিবা সেরি এ গী ফাইনেল মেটচতা মায়থীবা পীদুনা ইটালিয়ন কপকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ইন্টর মিলাননা ঙসিগী মায়পাকপা অসি থারগা ইটালিয়ন কপকী ৮ লক টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ষ্টদিও ওলিম্পিকো ষ্টেদিয়মদা ইন্টর মিলান অমদি জুভেন্টস অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ নিকোলো ভেরেলানা লেফট ফ্লেঙ্কতগী খাইরকপা বোল অমা নিংথীনা ফাদুনা ১৮ য়ার্দ বোক্স মতোনদগী শাফু কন্না কাওশীল্লকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৬ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

ইন্টর মিলানগী মখা তানা গোল হাপচিনবা য়াবা তঞ্জা অমা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা কোদ্রাদোনা পীরকপা পাস অমগী মতেংদগী দিবালানা বোক্স মনুংদগী কাওশীল্লকখিবা বোল অদু জুভেন্টসকী গোলকিপ্পর শমির হেন্দানোভিকনা নিংথীনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি। মখা তাবা শান্নবদা টিম অনীনা গোল চনবা য়াবা তঞ্জা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী ইন্টর মিলাননা জুভেন্টসপু ১-০ দা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা মাঙজিল থাখি।

জুভেন্টসনা অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। মখোয়গী হোৎঞমন মায়পাকপা ওইনা ভ্লাহোবিকনা পুশীল্লকপা বোল অমা ইন্টর মিলানগী দিফেন্দর দে ব্রিজনা থীংদুনা থম্বদগী খায়দোরকখিবা বোল অদু এ সন্দ্রোনা শাফু কন্না কাওশীন্দুনা মোরাটাদা পাল্লম্লগা নেট শোক্তুনা ৫০ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান-কান্নদনা দুসন ভ্লাহোভিকনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা গোল অমগা চনশীন্দুনা জুভেন্টসনা ইন্টর মিলানবু ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্টর মিলানগী মার্টিনেসনা পুশীল্লকপা বোল অমা জুভেন্টসকী দিফেন্দর বোনুকচিনা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা ফোল তৌরুবদগী রেফ্রিনা ইন্টর মিলানগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। কলহানোগ্লুনা স্পোট কিক অদু গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা অমুক হন্না স্কোর ২-২ দা লৈহনখি।

টিম অনীনা মখা তানা এক্সট্রা টাইমগী শান্নবদা মিলানগী দি ব্রিজনা বোক্স মনুংদা পুশীল্লকপা বোল অমা দিফেন্দর দি লিগনা ফোল তৌরুবদগী অমুক হন্না রেফ্রিনা মিলানগী ফেভরদা পেনাল্টি অমগা পীখি।

ইভান পেরিসিকনা শান্নবগী ৯৯ শুবা মিনটতা স্পোট কিক অদু গোল ওন্থোক্তুনা জুভেন্টসপু ৩-২ দা মাঙজিল থাখি। পেরিসিকনা মখা তানা দিমার্কোগী মতেংদগী শান্নবগী ১০২ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্টর মিলাননা জুভেন্টসপু ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

## থোমাস কপ : ইন্দিয়ানা মালেসিয়া থোইদুনা সেমী চঙখ্রে

বেঙ্কোক, মে ১২ (এজেন্সী): থাইলেন্দদা চথরিবা থোমাস কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মালেসিয়াবু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা চহী ৪৩গী মতুংদা অমুক হন্না সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা থোমাস কপ অসিদা অহানবা ওইনা মেদল ফংবা ঙল্লগনি।

ঐচ এস প্রনোয়না লিওং জুন হাওবু ২১-১৩, ২১-১৮দা মায়থীবা পীখি। সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথিগী প্যেরনা গো জে ফৈ অমদি নুর ইজুদ্দিনগী প্যেরবু মিনট ৪১ শান্নখিবা মেটচতা পোইন্ট ২১-১৯, ২১-১৫দা মায়থীবা পীখি।

ৱর্ল্ড ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট লক্ষ্য সেননা সিঙ্গলসকী ওপন্নিংদা লি জি জিয়াগী মখূৎতা অদুগা কৃষ্ণ প্রসাদ অমদি বিষ্ণুভর্ধনগী প্যেরসু সেকেন্দ দবলসতা সিয়া অমদি টিওগী মখূৎতা মায়থীখি।

সেকেন্দ সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রিকান্থনা সে য়োংবু পোইন্ট ২১-১১, ২১-১৭তা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

## ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং : অনামিকা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইষ্টানবুল, মে ১২ (এজেন্সী): টর্কিনা য়ূম্নু ওইদুনা চথরিবা ১২শুবা আই বি এ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী কেজি ৫০গী কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী বাউটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনামিকানা রোমানিয়াগী য়ুজিনিয়া অংহেলবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হরয়ানাগী রোহটকতগী বোক্সর অসিনা অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্কী ওপোনেন্টবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

অনামিকানা অষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিষ্টি লি হেরিসকা নোংমাইজিং নুমিৎতা রাউন্দ ওফ ১৬কী বাউটতা লম্বা তৌনরগনি।

এসিয়ন চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবী পুজারানী (কেজি ৮১)না হঙ্গেরিগী টিমিয়া নেগিগা অদুগা ওলিম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট লভলিনা বোর্গোহেন (কেজি ৭০)না সিন্দি ঙম্বগা মখোয়গী রাউন্দ ওফ ১৬কী বাউটতা ইরাই নুমিৎতা থেংনরগনি।

পনবা য়াবদি, ২০১৯দা রসিয়াদা পাঙথোকখিবা মমাংগী এদিসনদা ইন্দিয়াগী বোক্সরনা সিলভর মেদল ১ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংবা ঙমখিবনি।

## সব-জুনিয়র নেসনল ৱিমেন্স হোক্কী

# লাল টিয়ানচুঙ্গিগী হেটট্রিকনা মিজোরাম চাওনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুরনা য়ূম্নু ওইদুনা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা পুল ঐচকী মেটচ অমদা হোক্কী মিজোরামনা হোক্কী বিহারবু ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মিজোরামগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লাল টিয়ানচুঙ্গিনা ৩, লালবিয়াকসিয়ামিনা ২ অদুগা মাং লোমসাং অমদি কেপ্টেন লালরিনপুইনা শান্নবগী ৫ অমদি ৫৬শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

লাল টিয়ানচুঙ্গিগী অহানবা গোল অদুনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ওইবা ঙমখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখিবনি।

লালবিয়াকসিয়ামিগী গোল অনী অদুনা শান্নবগী ১০ অমদি ৪৬শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা অমদি পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী কর্নাটাকানা তেলঙ্গনা হোক্কীবু লাকচনা ১৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু য়ামুনানা শান্নবগী ১১, ১২, ৩৬ অমদি ৩৮শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল ৪ চনবা ঙমখি। রক্সিথানা শান্নবগী ৭, ৪৪ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা গোল ৩ চনখি।

দিশা এমনা শান্নবগী ৫ অমদি ১৩ শুবা মিনটতা অদুগা কেপ্টেন দিশা পোন্নম্মনা শান্নবগী ২৮ অমদি ৪৩ শুবা মিনটতা গোল ২/২ চনবা ঙমখি। ওকিথা পি, সোমিয়া, বোলম্মা অমদি রাস্মী এমনা শান্নবগী ২২, ৪১, ৪৭ অমদি ৬০ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমমম্ চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেটচ অমদা হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুনা হোক্কী অরুনাচল প্রদেশপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টামিল নাদুগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু অনুসুয়ানা ফিল্ড গোল অমা অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা ওইখিবনি।

অতোপ্পা গ্রুপ জিগী ঙসি শান্নগদবা মেটচ অমদা হোক্কী হিমাচল মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী তান্থোকখিবগা লোয়ননা হোক্কী পঞ্জাবনা ৫-০দা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ মরিগী মেটচ ৪ শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী হোক্কী বেঙ্গল অমদি হোক্কী জম্মু এন্দ কাশ্মীর অয়ূক পুং ৮দা, অনীশুবা মেটচতা ছটিশগর হোক্কী অমদি হোক্কী গুজরাট অয়ূক পুং ৯.৪৫দা, অহুমশুবা মেটচতা গ্রুপ দিগী হোক্কী মধ্য প্রদেশ অমদি হোক্কী উত্তরখন্দ অয়ূক পুং ১১.৩০দা অমদি মরিশুবা মেটচতা গ্রুপ ঈগী হোক্কী মহারাষ্ট্র অমদি অসাম হোক্কী অনীনা নুংথিল পুং ৬তা লম্বা তৌনরগনি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট সুব্রোটো : হেল্পিং হেন্দস একাদেমিনা চহী ১৪ মখাগী, সী টি স্কুলনা চহী ১৭ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা চথরকপা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ৬১ শুবা সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লাংজিং আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা লোয়শিনখিবগা লোয়ননা হেল্পিং হেন্দস গ্রুপস একাদেমি শঙাইপ্রৌ অমদি সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াংইম্ফাল অনীনা চহী ১৪ অমদি ১৭ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

চহী ১৭ মখাগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা কানন দেবী মেমোরিএল স্কুল পাঙ্গৈবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা কাঙলুপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

সী টি স্কুলগী মায়পাকপগী গোলশিং অদু বিকেন অমদি অনারোইনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ১০ অমদি ইঞ্জুরি টাইমদা গোল অমমম অদুগা মোনিশনা অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপগী ৩১ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখিবনি।

কানন দেবীগী গোল অনী অদুনা এল টি লোলি অমদি টি ঐচ রিশিনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৫ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, এল প্রদিপনা চনখিবা গোল অনী অমদি মঙালনা শান্নবা হৌরকপগী অনীশুবা মিনটতা চনখিবা গোলগী মতেংনা হেল্পিং হেন্দস গ্রুপস একাদেমিনা নেমস ইংলিস একাদেমি লাঙ্গোলবু ৩-০ দা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী ফাইনেল মেটচতা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

প্রদিপকী অহানবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোয়রমদাই শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায়পাকপগী অহুমশুবা গোল অদুনা মেটচ লোয়রমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনবা ঙমখিবনি।

# মোইরাং লৈমা কাং এগজিবিসন মেটচ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্নশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কাং মশান্না অসিবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা মোইরাং থোইবী কাং এসোসিএসননা শীন্দুনা মোইরাং লৈমা কাং এগজিবিসন মেটচ ঙসি মোইরাং খোইরু লৈকাই মান্দপ্তা পাঙথোকখ্রে।

মোইরাং খুন্থক কাংখুৎ অমদি মোইরাং খুনখা কাংখুৎ অনীনা শান্নখিবা এগজিবিসন মেটচ অদুদা মোইরাংগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা অথোইবা মীথুংলেন, মোইরাং থাংজিং য়াগৈরেল মরুপকী প্রসিদেন্ট এম নোদিয়া ঙাঙোইচানা থৌরম মপূ অদুগা মোইরাং থাংজিং ফম্নাইবা চৈরাপ লোইশঙগী ইঙু খদ্রাকপা সলাম ইবোচৌবা অমদি মণিপুর কাং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম জাদুমণিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ শান্তিনা ফোঙদোকখিবদা, মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীশিংদা য়াওদুনা লাক্লবা কাং মশান্না অসি হৌজিক্কী মীরোলনা কাউনবগুম তৌরক্লে। অদুবু মোইরাং থোইবী কাং এসোসিএসননা এগজিবিসন মেটচ শীন্দুনা নৌহৌননা মশান্না অসিবু হিঙ্গৎনবা হোৎনরকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ঐখোয়গী ইনাৎ ঐখোয়না য়োকখৎচনবগী ৱাখল্লোনদা এম এল এ অমা ওইনা য়েলহৌ মশান্না অসিবু য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি।

লমদম অদোমগী ওইনা কাং মশান্না অসিবু ইবুধৌ থাংজিং লাইকোন্নুংদা শান্নবা য়ানবা মফম অমা শেম্বীনবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মরী লৈনবশিংদা তকশিনগনি হায়খি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref: Mutation Case No. 316/AS&SO VIII/K 5-5-2022

1. Yengkhom Bimol Singh S/o Y. Late Iboton Singh of Kakching Paji Leikai.
2. -do- Santoshkumar Singh S/o Jugeshwor Singh of -do-
3. -do- Mahesh Singh S/o Sanatomba Singh of -do-

-Vs-

Yengkhom Iboton Singh S/o Late Kali Singh of Kakching Khullen

NOTICE

11-05-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা তহশিল খুল নং ৫৯-ককচিং খুলেন পাট্টা নং ৪২৬/২৫ অনৌবা দাগ নং ১৪ এরিয়া .৩৬ (একর) ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার য়েংখোম ইবোতোন সিংহ পীং মৃ: কালি সিংহ সাং ককচিং খুলেন অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, Kakching

HL-P/2701/13

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST, LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 121/SDC/IW-L/2022

Lairenlakpam Biren Singh S/o (L) Kalimohan Singh of Naoremthong Khumanthem Leikai. - Petitioners

-VS-

Late Keithellakpam (N) Lairenlakpam (O) Mala Devi W/o (L) Kalimohon Singh of Uripok Naoremthong Takhellambam Leikai. -OP/Party

NOTICE

11-05-2022

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার কৈথেল্লাকপম নিংঙোল লাইরেনলাকপম ওংবী মালা দেবী পতি কালিমুহোন সিংহ সাং উরিপোক নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৫, দাগ নং মৃ: পাট্টাদারনা দখল তৌরম্বা ১১১গী এরিয়া ৩.৪১ চাওবা লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Lamsang

HL-P/2700/13

PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।


☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।

☞ Loan লৌবীবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building,
Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994

HL-B/7613/22/4-20/6

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 451**

Stradalov, A. - Charushin, Viktor Afanasievich
USSR Shakmaty Nr.222 corr, 1955

1.d4 d5 2.c4 e6 3.Nc3 c6 4.Nf3 f5 5.Bf4 Nf6 6.e3 Bb4 7.Bd3 Nbd7 8.O-O O-O 9.Qb3 Be7 10.Ne5 Nxe5 11.Bxe5 Ne4 12.cxd5 Nd2 13.Qa4 Nxf1 14.dxc6 Nd2 15.Rd1 Ne4 16.Nxe4 fxe4 17.Bxe4 Qb6 18.Qc2 h6 19. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 450 Ans. :**

17. ...Nf6 18. Qxc3 Nxg4 19. Rfe1 Qh2+ The black queen attacks White's king, which is defending square h1. 20. Kf1 Ne3+ The black knight clears the way for Black's bishop to the square h3. The black queen attacks White's bishop, which is defending square h1. 21. Qxe3 Bh3 The black bishop deflects White's bishop away from protecting the square h1. 22. Bxh3 Qh1# Back-rank mate

17. ...Nf6 18. Qxc3 Nxg4 19. Rfe1 Qh2+ 20. Kf1 Ne3+ 21. Qxe3 Bh3 22. Qe4 Qh1#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com